**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-10-2025)**

**দিৱালিঃ** মণিপুরদা ঙসি মৈগী কুম্হৈ, দিৱালি পাঙথোক্লি । মৈগী কুম্হৈ অসি অঙানবনা অমম্বনা জয় তৌই, অফবনা ফত্তববু মায়থিবা পীবগী অচৌবা খুদমনি। নুমিৎ অসি মীয়ামনা লনগী লাইরেনবীবু খ্রুমদুনা য়ুম য়াওনা দুকানশিং নীংথিনা মৈ অমদি লৈশিং নীংথিজনা শেম শাদুনা থমরি। অসিগুম্বা মৈগী কুম্হৈ অসিনা লাকপদা মীয়ামনা হরাউ তয়ামা ফোংদোক্তুনা অমত্তা ওইবগী খুদম উৎলি।

দিৱালি কুম্হৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্ত য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- দিৱালি অসি অঙানবনা অমম্ববু জয় তৌবা, অফবনা ফত্তববু জয় তৌবগী খুদমনি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা অমসুং আশা অমুক হন্না লৈহন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে।

পাউজেল অমদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- দিৱালিগী মৈগী মৈঙাল অসিনা লমদম অসিদা অমত্তা ওইবগী মপাঙ্গল অদু হেন্না কনখৎহল্লশি। দিৱালিগী মৈঙালনা অমম্বগী মরক্তা আশা লন্বী উৎলি। মৈঙাল খুদিংমকা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-কুম্হৈ অসিনা রাজ্য অসিদা চাউখৎপা, ইং তপ্পা, অমত্তা ওইবগী শক্তম পুরকপা ওইরসনু।

এম.এল.এশিং-য়ুমাম খেমচান্দ, থোঙাম বিশ্বজিৎ, কোংখাম রোবিন্দ্রো, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন, শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনচিংবনা দিৱালি কুম্হৈনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল

পীরি।

**চাক্কৌবা (এল)ঃ** চহি অমগী মনুংদা অমুক্তা থোকপা নিংঙোলশিংনা খৌরাংনা ঙায়নবা নিংঙোল চাক্কৌবা নকশিল্লকপা লোয়ননা খ্বাহরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা পোৎ লৈবা লাকবদগী চিক-চাইনবা ঙমদনা মী চিল্লে। নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি চহি অনিরোম মপুং ফানা পাঙথোক্তনা লাকপনি। অদুবু হন্দক্কী চহি অসিদি মপুং ফানা পাঙথোকবা মীয়ামনা থৌরাং তৌনরি। ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা মীয়ামা কৈথেল কাথোক কাশিন তৌনবনা কা হেন্না চিল্লে।

মরক অসিদা, নিংঙোল চাক্কৌবগীদমক রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা হয়েং ঙাগী মেলা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-ভিবেক কুমার দেৱাংগন, ফিসরিজগী কম্মিস্নার-হাওবম রোজিতা শরুক য়াগনি।

ফিসরিজ দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মেলা অসিদা কিলোগ্রাম ১ লুম্বা শরেংগী মমলনা লুপা লিশিং ১,১০০, কিলোগ্রাম ১ গী মথক া লুপা লিশিং ১,২০০ অমসুং কিলোগ্রাম অনিগী মথক্তা লুপা লিশিং ১,৫০০ পীগনি। কটলানা কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ২৪০ দগীনা লুপা ৪০০ ফাওবা, রৌনা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ২৩০ দগী ৩৫০ ফাওবা, মিরগলনা লুপা ২৩০ দগী ৩৫০ ফাওবা, কমন কাল্ফনা লুপা ২২০ দগী ৩০০ ফাওবা, গ্রাস কাল্ফনা লুপা ২৬০ দগী লুপা ৪০০ ফাওবা, সিলভর কাল্ফনা লুপা ২২০ দগী ২৪০ ফাওবা, বিগ হেদনা লুপা ৩০০ দগী ৩৫০ ফাওবা, পেংবা অমসুং খাবক্কী ওইনা লুপা ৪৫০ দগী ৫৫০ ফাওবা, ঙাতোন্না কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ৪৫০ দা ফংগনি।

**ডে (এল)ঃ** মণিপুর থিয়েতর ডেগী থৌরম অমসুং থিয়েতর সেন্স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা এম.দি.য়ু

হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থিয়েতর সেন্তর মণিপুরনা শিনবা থৌরম অসিদা দ্রামা আর্টিষ্ট-আর.কে সনাজাওবা সিংহদা ললিট নিংশিং খুদোল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। ইবেচাউবী নীংশিং খুদোল মনা ২০২৫ না অইবা-শ্রী মনি য়ুমামদা পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**ইরাকবা (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট টুদা লৈবা মেলৈ পুখ্রিদা ঙসি চহি ২০ লোম শুরবা নুপা অমা ইরাকবদগী লৈখিদ্রে।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-মীওই অদু মমান্নবা খরগা পুখ্রি অদুদা ইরোইদুনা শান্নবদা ইরাকদুনা লৈখিদবনি।

**মুইভা (এল)ঃ** এন.এস.সি.এন. (আই.এম) গী লুচিংবা টি.ঐচ. মুইভা, হয়েং উখ্রুলদা থুংলগনি। মহাকা উখ্রুল হেদক্বাটরস গ্রাউন্দদা থুংলবদা মীয়ামনা তরামা ওকনবা শেম শারে। চহি ৯১ শুরবা শ্রী মুইভা চহি ৫০ গী মনুংদা মহাক্কী পোক ফম লমদম জিলা অসিগী সোমদালদা চৎকনি। মহাক চয়োল অমরোম লৈরবা য়াই।

**গাংঙুমৈ (এল)ঃ** গাংঙুমৈ কামৈ ফাউন্দেসননা শিনদুনা গাংঙুমৈ কামৈ মেমোরিএল লেকচর ঙসি ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা গাংঙুমৈ কামৈ ফাউন্দেসনগী ত্রষ্টি মেম্বর-ডা: রাম কামৈনা হায়-লৈখিদ্রবা প্রোফেসার-গাংঙুমৈ কামৈ মনিপুরদা অপুনবা অমদি নুংশি চান্নবগী মরী শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই অমনি। হৌজিক লৈরিবা মনিপুরগী ফিভম অসিদা লৈখিদ্রবা প্রোফেসার অসিনা খল্লম্বা ৱাখল্লোনশিং ঐখোয়না ঙাকা চৎপা মথৌ তায়। থৌরমদুদা খোঙনাংথাবা

য়নিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-নাওরেম জয়কুমারনা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা প্রোফেসার-গাংঙুমৈ কামৈনা তৌরম্বা থবকশিং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

**আই.এন.এ(এল)ঃ** প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট ওফ ফ্রি ইন্দিয়া অরজি (হুকুমট-ঈ-অজাদ হিন্দ) গী ৮২ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ মারতিয়র্স মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু আই.এম.এ. ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরী, মোইরাং, মনিপুর সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং আই.এন.এ. লোকেল এদভাইজরি কমিতি, মোইরাংনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা, নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসকী মুর্তিদা লৈ কৎলবা মতুং কর্নেল সৌকট আলি মালিককী মীতম অমা হাংদোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা, পি.কে.নন্দিনা ইবা লাইরিক ‘দ লাষ্ট ফাইট ফোর ফ্রিদম’সু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা থোঙাম শান্তি-এম.এল.এ, ডা: টি.ঐচ. গৌরবিধু সিংহ, মেম্বর আই.এন.এ. লোকেল এদভাইজরি কমিতি, মোইরাং কলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল এ. সরতচন্দ্র শর্ম্মা অমসুং নেতাজি সুভাস মঞ্চ, জমসেদপুর ছরখন্দগী ফাউন্দর অমসুং প্রসিদেন্ট শরুক য়াখি।

**রাধেশ্যাম (এল)ঃ** হৈরোক কেন্দ্রগী শলুংফম কাং থোকচাউ সাপম লৈরক অমসুং শলুংফম কাং য়াম্বেম অৱাং লৈকাইদা নৌনা শাখিবা কম্যুনিতি হোল অনি-এম.এল.এ. থোকচোম রাধেশ্যামনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রাধেশ্যামনা হায়-ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু ঙাকপাবা ঙম্লবা মতমদা নুংশিনবা হায়বদু পুরকপা ঙমগনি। নুংশিনবা ৱাইনবনা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা অমগা অমগা চিংথনবদগী চাউখৎপদা থিন্থনবগী মরম ওইহল্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মালেম অসিনা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়া মায়োকরিঙৈ চৈরক্তা ভারত অসি তংদু লৈতাবগী খুদম অমা ওইনা থোরক্লি।

দিৱালি কুম্মৈদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ইবা চিঠি অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ইকুই কুইদনা ভারত অসি মালেমগী শেন্মীৎলোনদা খ্বাইদগী মতিং লৈবা অচৌবা অহুমশুবা লৈবাক ওইরক্কদৌরি। মহাকা হায়-ভিক্সিত অমসুং অত্মা নিরভর ভারতকী খোঙচৎ অসিদা লৈবাক্কীদমক মথৌ মপুং ফানা পাঙথোকপা হায়বসি নাগরিক পুমমক্কী তঙাইফদবা থৌদাংনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-মপাঙ্গল কনবা পুলিস ফোর্স খক্তনা শক্তি লৈবা লৈবাক অমা শেন্বা ঙম্মী অমসুং মসিমক সরকারগী পান্দমনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পুলিস কমেমোরেসন ডেগী থৌরমদা নেসনেল পুলিস মেমোরিএলদা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমরবা তুংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। শ্রী রাজনাথ সিংহনা হায়-মিলিটরি অমসুং পুলিসকী প্লেটফোর্ম তোঙান তোঙানবদি য়াই অদুবু মখোয়গী মীসনদি লৈবাক্কী সেক্যুরিতি হায়বা অসিখক্তনি, চপ মান্নে।

**মীখলঃ** বিহার বিধান সভাগী অনিশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোকখ্রে। তাঙ্কক অসিদা মথং থাগী ১১ দা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগীদমক পুন্না মীরেপ লিশিং ২,৬০০ হেনবনা মখোয় মখোয়গী মীরেপচেশিং পীশিন্নরকখি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২৩ নি।

বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোট তাঙ্কক অনি থোকা মথং থাগী ৬ অমসুং ১১ দা থাদনগনি।

অমরোমদা, অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে লৌথোকপগী মতম লোইখ্রবা

মতুংদা হৌজিক তাঙ্কক অসিগীদমক পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ লৈহৌরি। অহানবা তাঙ্কক অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোট থাদনগনি।

অমরোমদা, মিজোরামগী মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা দমপা বিধান সভা কেন্দ্রগী মীরেপ চে পীশিনবা ঙসি লোয়খ্রে। মীরেপ মঙানা মখোয় মখোয়গী মীরেচ চেশিং পীশিন্নরকখি। মিজো নেসনেল ফ্রন্টকী এম.এল.এ. অমা লৈখিদবদগী মরক্কী মীখল অসি পাঙথোকপনি।

**দেঙ্গিঃ** জম্মু কাশ্মিরদা চহি অসিদা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ২,২০০ রোম থেংনখ্রে।

ওফিসিএলগী পাউনা হায়-য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা কেস লিশিং ২,১৬৮ দি দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রে। জম্মু জিলাগী কাথুৱা, সম্বা অমসুং উধমপুরদা দেঙ্গিগী কেস ৯৬০ থেংনখি। কেস ২৩ না কাশ্মির দিভিজনদা থেংনখিবনি অদুগা অতোপ্পা রাজ্যশিংদগী থেংনখিবনি। চহি অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ২০,২৭৭ দেঙ্গি টেষ্ট তৌখ্রে। ডাক্তরশিংনা মীয়ামদা অসিগুম্বা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা মরী লৈনবা থবকশিং লৌখৎমীন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

**গৱাঃ** গৱাগী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: প্রমোদ সাৱন্তনা হায়রি-মশানা মশাবু থাজবা হেনগৎহন্নবা অমসুং অরুবা ৱাখল খনবা তম্বদা মতেং ওইনবা স্কুল অমসুং কলেজগী করিকলমদা সংত্রং মশান্না হাপচিল্লে।

ফিদে ৱার্ল্ড কপকী লোগো পুথোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ৱার্ল্ড কপ অসিনা টুরিজম হেন্না চাউখৎহল্লে অমসুং মালেমদা গৱাগী মশক হেন্না ফজহল্লে। মসিনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনদা কান্নগদবা খোঙথাং অমা থাংজিলহল্লে।

**পোলো** ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চঠখরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-লমফেলনা কংলৈপাক পোলো ষ্টার ক্লব-লাইফম খুনৌবু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লব-লুবাংশংবমনা খোরিফাবা পোলো ক্লব-নম্বোলবু পাঞ্জল ১৩-০ দা, ইবুধৌ মোইরাং থাংজিং পোলো ক্লব-মোইরাংনা কে.আর.এম.এম.রাইদিং স্কুল-শিংজমৈবু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ১৫৬ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফ. জিরিবামনা শিনদুনা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমা থা অসিগী ২৫ দগী মথং থাগী মঙা ফাওবা জিরিবামগী বিদ্যানাগর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১২ শরুক য়াগনি।

**বেদমিন্টন ঃ** ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা লক্সসেন অদুগা চিরাখসেথি অমসুং সতুইক সৈরাজ রংকেরেদিগী জৱা, মখোয়গী কেম্পেইন ঙসিদগী হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসি ফ্রান্সকী গ্লাস এরেনাদা পাঙথোক্কনি।

**কবাদি** ঃ বেহ্‌রানগী মনামাদা চঠখরিবা এসিয়ান য়ুথ গেমসতা ভারতকী নুপাগী কবাদি টিমনা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৮১-২৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

নুপীমচাশিংগী টিমনা ইরানবু পাঞ্জল ৫৯-২৬ থোইখি।